# সেপাক তাক্রো হায়বা মশান্না অসিদা ঐহাক এসিয়ন গেমস অনীরক্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নজরকখি : ওইনাম চাউবা



ওইনাম চাউবা (ইন্টরনেসনল সেপাক তাক্রো প্লেয়র)



(হান্নগী মখা...)

দিল্লিদা কুমজা ২০১৩দা ইন্টরনেসনল থাক্কী সুপর সেরিজ শান্নরবা মতুংদা হায়রিবা চহীদুমক্তদা থাইলেন্দদা তৌখিবা '২৮শুবা ৱিমেন্স কিংস কপ ২০১৩' দসু ঐহাক ইন্দিয়ান টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। অহানবা চৎপা মতমদুদদি ইন্দিয়নগী নুপী





টিম মেদল লৌরকপা ঙমখিদে। অদুবু কুমজা ২০১৪দা তৌখিবা '২৯শুবা কিংস কপ' তদি টিমগীদা ঐখোয় সিলভর মেদল ফংজরকখি।

ক্বালা লম্পুরদা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা সুপর সেরিজদসু ঐহাক ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নজরকখি। অদুবু মেদলদি লৌবা ঙম্লকখিদে। কুমজা ২০১৬তা থাইলেন্দদা তৌখিবা '৩১শুবা কিংস কপ' তদি ইন্দিয়াগী নুপী টিম দবলসতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি। অদুগা ইন্দিয়াদা (হায়দ্রবাদ) কুমজা ২০১৭তা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

## সেপাক তাক্রোদা মীৎয়েং অমা

তাখিবা সেপাক তাক্রো ৱর্ল্ড কপ্তুদি ইন্দিয়াগী টিম মেদল লৌবা ঙমখিদে। অদুবু কুমজা ২০১৫দা ওরিষাদা ইন্দিয়ানা হোষ্ট ওইদুনা চখখিবা '৬শুবা ফেদরেসন কপ' তদি ইন্দিয়াগী নুপী টিম রেগু দবলসতা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখি।

অদুগা ঐহাক এসিয়ন গেমসতসু অনীরক শরুক য়াজখ্রে। অহানবা ওইনা সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চিওন্দা কুমজা ২০১৪দা তৌখিবা '১৭শুবা এসিয়ন গেমস'তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নজখি।

অনীরকশুবা ওইনা অমুক কুমজা ২০১৮দা জর্কাটাদা পাঙথোকখিবা '১৮শুবা এসিয়ন গেমস' তসু ইন্দিয়াগী নুপী সেপাক তাক্রো টিমদা য়াওদুনা শান্নজখি। মেদলদি অমত্তা লৌজবা ঙম্লকখিদে। সেপাক তাক্রোসিদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমসি খরা অদুম শোল্লি। ইন্টরনেসনলদদি থাইলেন্দ নুপী টিমসি য়াম্না হৈ শিংই। স্কিলদা মখোয়না ঐখোয়দগী খরা হেল্লি হায়বসি ইশানা য়াজনীংই।

মখোয়দগী ঐখোয়না তমগদবা য়াম্না লৈরি। শান্নবসিদা মখোয়দি তোপ তোপ্পা ময়াম অমা উৎপা ঙম্লে। খরদি অদুম ঐখোয়দগী এদভান্স ওইখ্রে। ঐখোয়সু হোৎনদবদি নত্তে। বেষ্ট লেভেলদা হোৎনরিবনি। অদুবু ঐখোয়না পাক হাইজিল্লুবদি ঙমদ্রি।

মখোয়গী মখোঙ মখূৎশিং অসিদা য়াম্না ফর্ষ্ট ওইখ্রে। জর্কাটা এসিয়ন গেমস ২০১৮দা ঐখোয় এসিয়াগী অরিংবা টিম ঙাক্তগা গ্রুপ পুল্লকখি। অদুনা ঐখোয় ফজনা শান্নবা ঙমখিদে। থাইলেন্দ টিমগা থেংনবদা পোইন্ট ৩০ য়ৌবা ৱানা থোকখি। ইন্দোনেসিয়া, ক্লেক, মালেসিয়া, কোরিয়া হায়রিবা টিমশিং অসি লোইনা থেংনরকখি। অদুগা সেপাক তাক্রো হায়বা মশান্না অসিদা ঐখোয়না কম্পিটিসন থেংনরিবসি টিমনে, রেগুনে, দবলসনে অহুমসিদনি।

রেগুসিদা ঐখোয় মী মঙা লৈগনি। অহুম্না থোক্লগা শান্নগনি। অনীনা ষ্টেন্দবাই ওইনা লৈগনি। দবলসিদনা ঐখোয় অহুম ওইগনি। অনীনা শান্নরগা অমনা ষ্টেন্দবাইনি। সেপাক তাক্রোগী টিমসিদনা ঐখোয় মী ১২না শাবা য়াই। অদুগা ১৫ ওইবসু য়াই। মসিদা প্লেয়র মাপলদি কম্পলসরি ওইনা মী অহুম অহুম্না শারগা অহুমসিনা শান্নগনি।

কুমজা ২০১৮গী জকার্টা এসিয়ন গেমসতা মণিপুরদগী মৈতৈ নুপী ঐখোয় তরুক চৎখি। প্লেয়রশিং অদুদি ইচে অরুনা (কেপ্তেন), রোনিতা, মায়পাক, লিন্থোইঙম্বী (হৈঙাং), ঙান্থোই (ক্বাকৈথেল) অমদি ঐহাক্নি।

শান্নবসিদা মণিপুরদগী ঐখোয় ঙাক্তা পাবসু য়াদবনিনা অতোপ্পা ষ্টেটকী য়াওরিবশিংদুগা খিত্তং চাশিন্নবসু ৱাৎখি। ফোরেন কোচনচিংবা কৌরগা ত্রেনিং তৌরবদি ঐখোয়সু খরদি ফগৎলক্কদবা মাল্লি। শান্নবসিসু চহী খুদিংগী অহোংবা ময়াম অমসু লাকই। হান্নগী খরদুখক্তনা চৎনবা য়ারক্তে। এসিয়াগী মমিং লৈবা কন্ত্রিগী প্লেয়রশিংনা শান্নরিবা খূৎশান্নশিংদু ঐখোয়সু শান্ননীংই। ইশাগী ওইনদি হৌজিকসি শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লে। অদুবু ঐহাক মমিং লৈবা চেম্পিয়নশিপ অমত্তংদি শান্ননীংলি। অদুনা ঐহাক হৌজিকসু চাং নাইনা প্রেক্টিশ তৌজরি। পি ঈ দি ওইনা হৌজিক চান্দেলদা থবকসু অদুম চৎলি। থবক চৎতবা নুমিৎশিংদদি হিয়াংলমদগী খুমন লম্পাক তানা লাক্লগা আর সী সীগী ত্রেনিংদা য়াওদুনা শান্নজরি। গোৱা নেসনল গেমস অসিমত্তং শান্নজরম্লগা সেপাক তাক্রোদা এন আই এস তৌজগে হায়নসু খঞ্জরি। সেপাক তাক্রো হায়বা গেমসি য়াম্না নুংশিজে। মশান্না অসি কন্ননবা হোৎনবদা ঐসু ইশাগী অঙম্বা থৌদাং খরা লৌজগে খঞ্জে।

- লোইরবা -

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯২

১। মখোঙ নাম্মা উনা হাপ্পা শান্নরোয় অমা ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল অনী ফংখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

২। ইন্দিয়াগী সঞ্জুনা টর্কিশ কপকী মেচ অমদা হেটত্রিক অমা ফংখি। মহাক্কী পাঞ্জল অনীদি মিনট ৩৭ অমসুং মিনট ৭১দা চনখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদু মিনট কয়াদা চনখি?

৩। ওলিম্পিক্তা টিম অনী (লৈবাক অনী) ফাইনেল শান্নগদবদা টিম অমদি শরুক য়াখিদে। মরমদি অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদু খোঙউপ বুট উপখি। মদুদা অতোপ্পা টিম অদুনা য়াখিদে। থৌদোক অসি করম্বা মশান্নদা থোকখিবগে?

৪। WAGON WHEEL করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অম্পায়রদা কাংলোনগী ৱাংমদা কমপ্লেন তৌরুবা চেন্নাই সুপর কিংসকী কেপ্টেন ধোনিদা ফাইন তৌখ্রে



জয়পুর, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা চেনাইন সুপরকিংসনা রজস্থান রোয়েলসপু মায়থীবা পীখিবা মেচ অমদা সিএসকেগী কেপ্টেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা মেচ অদুগী অরোইবা ওভরদা মহাকপু আউট তাহনখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পিচ মনুংদা চঙলুবগীদমক ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ কোট ওফ কন্দক্টনা ধোনিবু কোদ ওফ কন্দক্টকী লেভেল টুগী ওফেন্স নম্বর ২.২০ শীজিন্নখি হায়বগী মরালদা মহাক্কী নোংমগী ওইবা মেচ ফিগী তঙ্খাই অমা ফাইন তৌখ্রে।

মেচ অদু ঙরাং অরোইবা বোলদা চেনাই সুপরকিংসকী মায়কৈদগী মিটচেস সান্টরনা বোল অমদা রন ৪ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ৬ য়ৈদুনা মখোয়গী টিমনা রাজস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীদুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

ধোনি মশামক ঙরাংগী মেচ অদু শান্নবা লোইখিবদা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগকী পুৱারীদা অহানবা কেপ্টেন অমা ওইনা লিগ মেচ ১০০ শান্নবা ঙম্বা শান্নরোই ওইরি।

মেচ অদুগী অরোইবা ওভরদা ধোনিবু রাজস্তান রোয়েলসকী বোল্লর বেন ষ্টোককী য়োকর বোল অমদা ষ্টম কাইদুনা আউট ওইখি। অদুবু ধোনিনা ক্রিকেট ফিল্ডদগী দ্রেসিং রুম ফাওবা চঙলুরবা মতুং অমুক থোক্লক্তুনা মেচ অদুগী রেফরিশিং অদুগা উংখৎনদুনা মহাক্কী মথক্তা ফাইন থল্লকপনি।

# য়ুরোপা লিগ ফুটবোল টুর্নামন্টেতা অর্সনেল, ভেলেন্সিয়া, বেনফিকা অমসুং চেলসি মায় পাকখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী)ঃ

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা সিটিদা চৎখরিবা ফুটবোল ক্লপশিংগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ২শুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগশিংদা ইংলেন্দগী অর্সনেল, স্পেনগী ভেলেন্সিয়া, পোর্টুগালগী বেনফিকা অমসুং ইংলেন্দগী চেলসি মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

লন্দনগী ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা অর্সনেলনা য়ুম্থু ওইদুনা ইটালিগী ক্লব নাপোলিগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী ১৫শুবা মিনটতা অর্সনেলগী এটেক অমদা রামসেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা নাপোলিবু ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। নাপোলিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা দিফেন্দর কোলিবালিনা শোইবদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জল অদুনা অর্সনেলগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি। মেচকী মখা তানা শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবদা ঙমদনা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেচ অদু অর্সনেলনা ২-০দা থোইখি।

স্পেনগী ক্লব অনীগী লম্বা ঙরাং ভেলেন্সিয়ানা ভিলারিয়েলবু ৩-১দা থোইখি। মেচ অদুগী ৬শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী গিদেসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী মায়কৈদগী কাজোরিয়ানা পেনালটি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফকী লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী মিনট ২দা ভেলেন্সিয়াগী গিদেস অমসুং ৱেসনা পাঞ্জল অমমম চন্নগা মেচ অদু ভিলারিয়েলবু ৩-১দা থোইখি।

পোর্টুগালগী সিটি লিসবোনদা শান্নখিবা মেচ অমদনা য়ুম্থু বেনফিকানা জর্মনিগী এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু ৪-২দা থোইখি। বেনফিক্কী মায়কৈদগী নহা ওইরবা শান্নরোই ফেলিক্সনা হেটট্রিক চনখি। মহাক্না শান্নবগী ২১শুবা, ৪৩শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ চনখি। টিম অদুগী দিয়াসনা ৫০ শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল চনখি। এন্ট্রাক্কী মায়কৈদগী জোবিস অমসুং পেসেন্সিয়ানা পাঞ্জল অমমম চনখি।

জেক রিপাব্লিক্কী স্লাভিয়া প্রাগকা ইংলেন্দগী চেলসিগা শান্নখিবদা অলোনসোনা চেলসিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্নগা মায় পাকখি।

# সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টনদা পিভি সিন্ধু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অহুম ক্বার্টরদা লৈহৌরে

সিঙ্গাপোর, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী)ঃ

য়ুএস দোল্লর ৩৫৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা পিভি সিন্ধু মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদি মায় পাকপা ঙমদনা লৈহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইখিবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসিপকী সিলভর মেদল ফংখিবী পিভি সিন্ধু চাইনাগী কাই য়ানয়ানগা লম্বা তৌনখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু পুং ১ রোম চঙনা লম্বা তৌনরবা মতুং গেম ২-১দা মায় পাকপা ঙমখি।

অহানবা গেম সিন্ধুগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না কয়া উৎপা ঙমদুনা চাইনাগী কাই য়ান য়ানবু ২১-১৩দা থোইখি।

অনীশুবা গেমদদি সিন্ধুগী মশান্নদা অশোইবা অমদি অৱাৎপা কয়া য়াওখি। মদুনা মরম ওইরগা গেম অদু কাই য়ানয়াননা ২১-১৭দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌনবা মায়কৈ অনীদগী অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদু শান্নবা হৌখি।

গেম অদু অহানবগী গেম ২দা লৈনখিবা লম্বা অদুগুম্না হৌরকপদা মান্নখি। অদুবু পিভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী লাকশিনবা ঙম্লকপদগী চাইনাগী শান্নরোই কাই য়ানয়ানবু ২১-১৪দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।





সিন্ধুনা হয়েং সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরবা শান্নরোই অদু জপানগী টুর্নামেন্ট অসিদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী নোজোমি ওকুহরানি।

ওকুহরানা ঙসি মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচদা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই সাইনা নেহৱালবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম ২দা থোইখি।

অহানবা গেম ওকুহারানা ২১-৮দা সাইনা নেহৱালবু য়াম্না খুদুম চন্দুনা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেমদা সাইনা নেহৱালনা ফনা কন্না হোৎনরবসু পোইন্ট ১৩দগী লানখৎপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা নুগী ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাকখ্রবী ৱর্ল্ড নম্বর ১ টাইৱানগী টাইজুয়িং অমসুং অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনরগনি। টাইজুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী জুনজি হ্যুনবু অকনবা লম্বা অমদা ২১-১১, ১৭-২১, ২১-১৬দা থোইরমখি। অদুগা অকানে য়ামাগুচিনা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু ২১-১৩, ২১-১৭দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ কিদম্বী স্রিকান্তা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোতাগা পুং ১ হেন্না শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু ১৮-২১, ২১-১৯, ৯-২১দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সমির বর্মনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোই টাইৱানগী চৌ টিয়ন সেনগা লম্বা তৌনখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুসু পুং ১ হেন্না চঙখি।

অহানবা গেম চৌ টিয়ন সেননা ২১-১০দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা সমির বর্মগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা টাইৱানগী শান্নরোই অদুবু মহাক্না ২১-১৫দা থোইরগা দিসাইদিং গেম শান্নবদা টিয়ননা লাকশিনবা হেলক্তুনা ২১-১৫দা থোইরগা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী চেলেঞ্জ লোইশিনখি।

নুপাগী সেমি ফাইনেলদা কিদম্বী স্রিকান্তবু মায়থীবা পীরম্বা জপানগী কেন্টো মোমোতানা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাটন খৃষ্টিবু পুং ১.৩০ রোম চঙনা লম্বা তৌনখিবা মেচ অমদা ২২-২৪, ২১-১৮, ২৪-২২দা মায় পাকখিবা দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসনগা থেংনরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা সমির বর্ম থোইরম্বা চৌ টিয়ন সেননা চাইনাগী সেন লোংবু ২১-৮, ২১-১৯দা থোইরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী এন্টানি সিনিসুকা গিংটিংগা লম্বা তৌনরগনি।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিকি রেদি ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী দেচাপোল পোভারানুক্রো অমদি সাপসিরি টেরাটানাচাইনা ২১-১৪, ২১-১৬দা থোইরমখি।

কাংলুপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী থোইরম্বা থাইলেন্দগী পেয়র অদুনা জপানগী য়ুকি কানেকো অমসুং মিসাকী মাটসুটোবু গেম ২-০দা থোইরম্বা চাইনাগী পেয়র ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিয়োংগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র রিকি অমসুং বর্নাদেটপু ২২-২০, ১৪-২১, ২১-১৮দা থোইরেম্বা মলেসিয়াগী টান কিয়ান অমসুং লাইপৈ জিংনা ইন্দোনেসিয়াগী হফিজ ফৈজল অমসুং গ্লোরিয়া ৱিদ জাজাগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোই রামকুমার রামানাথন চাইনিজ টাইপৈ চেলেঞ্জর্স টেনিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে



টাইপৈ সিটি, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী)ঃ

চাইনিজ টাইপৈগী কোনুং টাইপৈ সিটিদা পাঙথোকপা য়ুএস দোল্লর ১৬২,৪৮০গী শেলগী মনা লৈবা চাইনিজ টাইপৈ চেলেঞ্জর্সকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রামকুমার রমানাথন সাউথ কোরিয়াগী কোওন সুনওগী মখুৎতা মায়থীহৌরে।

মেচ অদুগী অহানবা সেট অকনবা লম্বা তৌনদুনা টাইব্রেক্তা সাউথ কোরিয়া শান্নরোই অদুনা রামকুমারবু ৮-৬তা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতা সাউথ কোরিয়গী সুনওনা ইন্দিয়াগী রামকুমারগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইরমখি। রামকুমার ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরবসু এটিপি পোইন্ট ২৫ ফঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী নুপাগী দবলসতা শরুক য়ারীবি ইন্দিয়াগী স্রিরাম বালাজিনা ইজরেলগী জোনাথন অর্লিক্কা পেয়র ওইদুনা ইন্দিয়াগী সাইকেট মাইনিনি অমসুং রামকুমার রমানাথনবু ৬-৪, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ুএসএগী হুষ্টন সিটিদা পাঙথোকখিবা এটিপি টুর ইভেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী দলবসকী শান্নরোই জিবন নেদুনসেজিয়ান অমসুং পুরপ রাজাবু য়ুএসকী মমিং লৈরবা পেয়র বোব অমসুং মাইক ব্রাইননা ৭-৬ (৭-৫), ৬-৩দা ক্বার্টর ফাইনেল মায়থীবা পীরমখি। মোরোকোগী এটিপি টুর্নামেন্টতা ইন্দয়াগী রোহন বোপনা অমসুং জমর্নিগী দোমিনিক ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌখি।

# সাকসি অমসুং বসুমাতরি ফাইনেল য়ৌখ্রে, পিঙ্কি রানি অমদি পর্বিন সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ ফঙখ্রে

কোলোন, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী)ঃ

জর্মনিগী সিটি কোলোনদা পাঙথোক্লিবা বোক্সিং ৱর্ল্ড কপ্তা মশাগী চহী ১৮দা ঙাইরিবী য়ুথ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাকসিনা কেজি ৫৭তা অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর পিলাও বাসুমাতরিনা কেজি ৬৪গী কেটেগোরিদা সেমি ফাইনেল বাউটশিং মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে। অদুবু কেজি ৫১ অমসুং কেজি ৬০গীদা মথং শীৎনা পিঙ্কি রানি অমসুং পর্বিন সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী সাকসিনা ঙসি থাইলেন্দগী বোক্সর টিনতাবথাই প্রিদাকামোনবু য়াম্না হেনবা মওংদা ৫-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্না গোল্ড মেদলগীদমক্তা কুমজা ২০১৮ কমনৱেলথ গেমসকী সিলভর মেদলিষ্ট আইয়রলেন্দগী মিসেলো ৱেলসকা লম্বা তৌনরগনি।



নাকল অমরোমদা কেজি ৬৪গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর পিলাও বাসুমতরিনা দেনমার্ককী বোক্সর অয়া দিটেফ্রোষ্টহোমগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ৩-২দা থোইদুনা ফাইনেলদা চাইনাগী বোক্সর সেংয়ু য়াংগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসিগী কেজি ৫১গী কেটেগোরিগী সেমি ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী পিঙ্কি রানিনা আইয়রলেন্দগী বোক্সর ২০১৮ কমনৱেলথ গেমসকী সিলভর মেদলিষ্ট কার্লি মেকনোলগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না শোত্থবা মওংদা স্কোর ০-৫তা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা কেজি ৬০গী সেমি ফাইনেল বাউট অমদা ইন্দিয়াগী বোক্সির পর্বিন ইংলেন্দগী পেজি মুর্নেগা লম্বা তৌনবদা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙহৌবনি।

কোলোন বোক্সিং ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩ ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি। মখোয়না হয়েং লম্বা তৌনগদৌরিবা বোক্সরশিং অদুবু মায়থীবা পীরবদি ইন্দিয়াগী য়াম্না ফজবা রিজল্ট অমা লৈগদৌরিবনি।

পনবা য়াই কেজি ৫৪দা মণিপুরদগী হৌখিবা মৈস্নাম মিনা ফাইনেলদা থাইলেন্দগী মসাইগা লম্বা তৌগনি।